

লৈঙাক্লা হৈ য়োনবা ময়াং মচা ২৪ বু লুম্না লৌবগী ফিরেপ হোংদোকউ : য়ু পি এফ

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস)ঃ

ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীয়ামগী চৎনরিবা ফুথ পাথতা অমদি অদুগা অমুকসু ভৈরোদান মেক্সৱেল হিন্দী প্রাইমারী স্কুলগীনা ফল্লাং পল্লগা পোৎফমশিং শারিবা ময়াং মচা ২৪ না মীয়ামদা খুদোংচাদবা থোকহল্লে হায়না য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট মণিপুর (য়ু পি এফ) না ফোঙদোরক্লি।

য়ু পি এফকী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন দিনেসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হৈ য়োনবগী পোৎফম য়ারোই হায়না লাইসেন্স ককখ্রবনি। অমরোমদা, অমুক লমদম অসিগী হিংনবগীদমক্তা লম্বীদা চিদাইদা ফমদুনা পোৎ-চৈ, মনা-মশিং য়োঞ্জরিবা মীতৈ, চীংমী, মীতৈ-পাঙল লিশিং ৩/৪ বুনা লৈঙাক্লা পুলিস থাদোক্তুনা ফূবা, চৈবা, ফাজিনবা, পোৎচৈ চৈখায়বীবগী থৌওং কয়া চহী লিশাং শিংনা ইম্ফাল সিটি মনুংদা চত্থদুনা লাক্লি। নোংমগী চরা ফংনবা ময়ুমদগী পুখৎচরকপা পোৎচৈ কয়া নালাদা হুন্দোকখিবদগী নোংমগী চরা ফংদনা ময়ুমদা হন্নরকখিবা ইমা-ইবেল কয়ানি। অদুগা অমরোমদা, পোৎচৈ য়োনবগী লাইসেন্সসু ককখ্রবা ময়াং মচা ২৪ গীদমক্তদি লৈঙাক্লা অতম্ন না মখোয়গী মফম পীনবা হোৎনরি। মখোয় ২৪ গী মফম পীগদবনি হায়বা লৈঙাক্কী তৌদবা য়াদবা করন্বা পোলিসী লৈবনো হায়না হংলক্লি।

হায়রিবা ময়াং মচা ২৪ অসিগী তৌবা ঙম্বা পাঙ্গল নৎত্রগা দিল্লিদা ফল্লিবা লৈঙাক মপুশিংগী য়াথংলা নৎত্রগা লৈঙাক অসিনা মখোয় ২৪ অসিদগী কয়া য়াম্না কান্নবা ফংলবগে হায়না হংলক্লি।

মণিপুরদা তৎতনা থোক্লিবা ইস্যুশিং অসি গভর্ণান্সতা য়াম্না চরক চহিং নাইবগী মমি তারিবসি থোকহল্লোইদবনি। ইম্ফাল ম্যুনিসিপালিটি এরিয়াগী লৈঙাক ৱায়েলগা মরী লৈননা লৈরিবা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ৱারেপকা লৈঙাক্কী মহুদ দিপার্টমেন্টকা খেন্নবা মোত মীয়াম মাঙদা সবাক ফাক্লিবসি করিগীনো হায়না হংলক্লি। ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল এরিয়াগী মতাংদা কোর্পোরেসন্না লৌরিবা ৱারেপ অদুদগী ওর্দর অমনা চৎনহনবা য়াহন্দ্রগা কোর্পোরেসন শেন্স্বগী অমদি লৈবগী ৱাহন্থোক করিনো হায়রি। মীয়াম্না খনবা মীহুৎকী লৈঙাক্কী এদমিনিষ্ট্রেটিব ব্রাঞ্চতা লৈরিবশিংদা কনানা চাউনা লৈগদগে হায়না হংলকপগা লোয়ননা মথক মখা ওন্নবা লৈঙাক্কী মচৎ মীয়াম মমাঙদা ফাগী তাহনগনু। লৈবাক্কী ৱাফম মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট খঙনা পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

ষ্ট্রিট ভেন্দর ইমা-ইবেল লিশিং ৩/৪ বু নমশিন্দুনা থল্লগা ময়াং মচা ২৪ খক্কী য়েংলগা লৈঙাক্লা ৱারেপ লৌবীগনু হায়রি। লোনা য়াবা মওংদা দুকান হাংনরিবশিংগুম্না ভারাদা দুকান লৌরগা রুলগী মখাদা দুকান হাংবদা অকায়বা লৈতে। শেল খরা ফংনবা থৌওং অসিনা লৈবাক ৱাথোক ওইহনগনু। ইমা-ইবেলশিংগী পোৎচৈনা চৈখায়বা ঙম্লগা চপ মান্নবা ফীভম ওইরিবা ইমা-ইবেলগুম হৈ-রা য়োল্লিবা ময়াং মচা ২৪ খক্তবুনা কনখৎতুনা থল্লিবা লৈঙাক্কী থৌশিল অফবা ওইরক্লোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

বি টি পার্ককী মখা থংবা শরুক্তা মফম পীনবা হোৎনরিবা লৈঙাক্কী থৌশিল লেপকদবনি। ইমা-ইবেলশিংগী ৱাফম লৈখায় তাহন্দনা ময়াং মচা ২৪ গী ৱাফম্না হান্না লৈখায় তাহন্নবা থৌশিল তৌরোইদবনি। দুকানশিং ৱাইরগা হৈ-রা য়োনখিবদা কনানসু করিমত্তা হায়রোই হায়না চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

‘এম এ এন্ট্রান্সকী কোচিং হৌখ্রে’

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস)ঃ

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) না চহী খুদিংগী চত্থরকপা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এম এ এন্ট্রান্স ইগজামিনেসন থাগদবা মহৈরোয়শিংগীদমক্তা অখন্নবা কোচিং ক্লাস অমা এমসুগী মীৎয়েং মখাদা এম য়ু ঐচ আর দি কম্মিটিনা শীন্দুনা টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা থা অসিগী ৭ তগী হৌদোকখ্রে।

এমসুগী ইনফোর্মেসন পব্লিসিটি সেক্রেটরি রোসন গোলমৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নুমীৎ ৫০ নি চুপ্না চত্থগদবা কোচিং অসিদা তোঙান তোঙানবা মহৈলোয়শঙদগী মহৈরোয় ৬০০ হেনবনা শরুক য়ারি। অসিগুম্বা কোচিং ক্লাস অসি এমসুনা মহৈরোয় খুন্নাইগীদমক চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্কনি অমসুং মসিদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়রি।

চহী খুদিংগী এমসুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা এম এ তম্মিংবা মহৈরোয়শিংগীদমক্তা সবজেক্ট কয়াগী ওইনা অসিগুম্বা কোচিংশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লিবনি হায়রি।

হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটকী দিষ্ট্রিক্ট লেবেল সেমিনর পাঙথোকখ্রে

Orgd. by : The Oriental Women's Group, So... & NCU... Thoubal
Sponsored by : Nation... ...on of India

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস)ঃ

নেসনল কো-ওপরেটিব য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া ন্যু দিল্লিগী শেন্থং মখাদা কো-ওপরেটিব এদ্যুকেসনগী ফিল্ড প্রোজেক্ট থৌবালনা ওরিয়েন্তেল ৱুমেন্স কো-ওপরেটিব সোসাইটি মণিপুরগা খুৎশম্নদুনা শীনবা হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফটকী নোংমগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল সেমিনর অমা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী থৌবাল পুলিস ষ্টেসনগী মায়োক্লবদা লৈবা ক্ষেত্রি শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

মার্কেটিং ওফ হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফটস প্রদক্স এস সী/এস টি হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা সেমিনর অদু হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাই রঞ্জিৎ চ্যেয়রমেন মণিপুর ষ্টেট মার্কেটিং কো-ওপরেটিব সোসাইটি লিমিটেদনা চীফ গেষ্ট, জিনা পোৎশংবম চ্যেয়রপর্সন, প্রোজেক্ট কো-ওর্দিনেটর কম্মিটি মণিপুর অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট মণিপুর ষ্টেট কো-ওপরেটিব লিমিটেদ (ভেল্লি) ইম্ফালনা প্রসিদেন্ট লোয়ননা এন মেম্মা বোর্দ দিরেক্তর মণিপুর ষ্টেট কো-ওপরেটিব য়ুনিয়ন, কেঐচ তোম্বা ফোর্মর দেপ্যুটি রেজিষ্ট্রার অমসুং টিঐচ পহারি প্রোজেক্ট ওফিসর এন সী য়ু আই-সী ঈ এফ পী থৌবালনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা কো-ওপরেটিব সোসাইটি কয়াগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখিবা সেমিনর অদুদা মীওই কয়ানা হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফটকী পোথোক পুথোকপা অমসুং পোথোকশিং অদুবু য়োনবগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি হায়রি।

মীথোয় মীহেল্লবা মীওইশিংদা মনা পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

FELICITATION FUNCTION
EDUCATION, SPORTS, ARTS & CULTURE
Huidrom Ronald Mangang
Huidrom Birendra Mangang
On 8th June 2018, Friday at Laning Meira Club Community Hall
Chief Guest

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস)ঃ

কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ আলকোহোল (কাদা) না ময়াই কাবা চীঙাক্কী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী মনুং চন্না মালেমদা মশক তাক্লিবা স্পোর্টস, আর্টস অমসুং কলচর, এদ্যুকেসনদা মীথোয় মীহেল্লবশিংবু পুক্লিং থৌগৎপগী থৌরম অমা কাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি, লমজিং মৈরা ক্লব অমসুং অপুনবা নুপী চাউখৎ খোঙথাং লুপ হিয়াংলম ৱাইখোম লৈকায়না পুন্না খুৎশম্নদুনা ঙসি নুংথিল হিয়াংলম ৱাইখোম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা হিয়াংলম জি পিগী প্রধান এলাংবম শান্তিবলানা চীফ গেষ্ট, ওইনাম গান্ধী প্রসিদেন্ট অপুনবা নুপী চাউখৎ খোঙথাং লুপনা প্রসিদেন্ট, হিজম প্রিয়োকুমার প্রসিদেন্ট ইন-চার্জ কাদা, কাদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট সোরোকখাইবম নেনা, হিয়াংলম জি পি ৱার্দ নম্বর ১ গী মেম্বর হাওবম রোমিতা, ৱার্দ নম্বর ২ গী মেম্বর য়ুম্নাম রবিনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা কোসেমনা লৌবা ২০১৮ কী ইগজামিনেসনদা অহুমশুবা পোজিসন লৌরকখ্রবা হুইদ্রোম রোনাল্ড, ইন্টরনেসনল সেপাক তাক্রো গোল্ড মেদলিষ্ট ওইনাম চাউবা, ষ্টেট লেবেল করাটেদো ব্রোঞ্জ মেদালিষ্ট হুইদ্রোম বিরেন্দ্র মঙাং, নাত্য ভুসন এৱার্দি হুইদ্রোম প্রিয়োগুপ্ত অমসুং বোসেম অমদি সী বি এস ঈনা লৌবা এগজামিনেসনদা ফর্ষ্ট দিভিজনগা লোয়ননা লেট্টর মার্ক ফঙলক্লবা মহৈরোয়শিংবুসু খুদোলপোৎ পীদুনা ইকায়খুম্নখি হায়না কাদাগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি খুন্দোংবম অনন্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চীং নিংখায়রকপদগী কোটলেন্দদা লম্বী থিংলুরে

ইম্ফাল, জুন ০৮, (ঐচ এন এস):

নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীগী কোটলেন্দদগী জিরিবামরোমদা খরা চৎলগা চীং নিংখায়রকপদগী লম্বী থিংলুরে।

ঙরাং অয়ুক অঙনবদা কোটলেন্দ মনাক্তা চীং নিংখায়বা অদুনা মরম ওইদুনা ইম্ফালদগী জিরিবাম তম্না লাকপা গাড়ী কয়া লমখাংদা পন্দুনা লৈখি। অদুগা জিরিবামদগী ইম্ফাল তম্না লাকপা গাড়ী কয়াসু লমখাংদা পন্দুনা লৈখি।

মতুংদা চীং নিংখায়রিবা মফম অদুদা পি দব্লিউ দি অমদি লম্বী অদু শেম্লিবা ৱার্ক্স এজেন্সীগী স্কাভেটর অমমম চঙশিন্দুনা মফম অদুদা লম্বী ময়াইদা পৈদুনা লৈরম্বা চীং লৈবাকশিং অদু লৌথোক্লবা মতুংদা নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ রোম তাবদা লম্বী ফাওনখ্রে হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

মীয়াম্না থৌনিখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮ : সী বি আইনা চত্থরিবা ফেক ইনকাউন্তরগী কেসশিং থিজিনবগা মরী লৈননা ৱাবগাইদা লৈবা বফেলো ফার্মদা মীয়াম হুপ্না শেন্বীবী মপুদা থৌনিজবগী থৌরম অমা কনফ্লিক্ট ৱিদো ফোরম (সী ও দব্লিউ এফ) না ভিক্তিমগী ইমুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে। অফস্পাগী মরুমদা ইন্দিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চত্থখিবা ফেক ইনকাউন্তরগী কেসশিংদা লৈখিদ্রবশিংগী থৱাইনা ঈংনা চীক্লু ।লৈনবা লৈ-শুশিং কৎখি হায়না য়ুথস ফোরম প্রোটেক্সন ওফ হ্যুমেন রাইটসকী চেরোল অমনা হায়রি।

তরানিপানশুবা অরাম্বম সমরেন্দ্র মার্ট্যরডম *নিংশিং কুমওন* পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস)ঃ

খুরাই নান্দৈবম লৈকায়দা লৈবা সোসল ষ্টেন্দর্দ ক্লবকী কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ২০ গী অয়ুক পুং ১০ তাবদা লৈখিদ্রবা লময়ানবা অরাম্বম সমরেন্দ্রগী ১৮ শুবা মার্ট্যরডম নিংশিং থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না অরাম্বম সমরেন্দ্র ত্রষ্ট অমসুং সোসল ষ্টেন্দর্দ ক্লবনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থৌরম অসিদা সোসল ষ্টেন্দর্দ ক্লব অমসুং অরাম্বম সমরেন্দ্র ত্রষ্টনা শীন্দুনা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী ইগজামিনেসন্দা মকোক থোংনা মায় পাক্লকপা মহৈরোয়শিংবু ওকপগা লোয়ননা মনা পীগনি হায়রি।

থৌরম অসিদা নুপী সমাজগী এদভাইজর কৈশাম তরুনি, নুপী সমাজগী প্রসিদেন্ট থোকচোম লমনি, অমকিলগী প্রসিদেন্ট ফাঞ্জৌবম শখি, নোংপোক লৈঙাক অপূনবা লূপকী প্রসিদেন্ট য়ুমলেম্বম মেম্মা, চীংমী-তম্মী প্রসিদেন্ট সোইবম মোমোন, খুরাই নান্দৈবম লৈকায় গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান য়ুম্নাম চিত্রা অমসুং গ্রাম পঞ্চায়ট অসিগী ৱার্দ নম্বর ৱানগী মেম্বর থোকচোম রনবালা (গীতা)না মহৈরোয়শিংদা প্রাইজ য়েন্থোক্কনি।

১৮ শুবা অরাম্বম সমরেন্দ্র নিংশিং থৌরম অসিদা ১৩ শুবা অরাম্বম সমরেন্দ্র মেমোরিএল লেকচর মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার অমর য়ুম্নামনা পীগনি হায়রি।

অমরোমদা, পেট্রিওটিক রাইটস ফোরম, মণিপুরনা শীন্দুনা অরাম্বম সমরেন্দ্র লৈখিদবগী নিংশিং থৌরম লল্লাই এ সীগী মনুং চনবা নুংশিকোল পার্কতা থা অসিগী ১০ গী নুংথিল পুং ১ তাবদা পাঙথোক্কনি।

থৌরম অদুদা অরাম্বম সমরেন্দ্রগী খুৎইদা তারিবা নুপীগী মশক হায়বা হিরম অসিদা ডা. অথোকপম উমাবতিনা ৱা ঙাঙগনি অমদি নোংমাইথেম সিংহজিৎনা খোমজিনবা শৈরেং অমসুং সমরেন্দ্র হায়না মিংথোনবা শৈরেংগী এন্থোলোজিগী লাইরিক অমসু ফোঙগনি।

থৌরম অসিদা প্রোফেসার যোধচন্দ্র সনসম, সাহিত্য একাদেমী এৱার্দীনা চীফ গেষ্ট অমসুং পেট্রিওটিক রাইটস ফোরম, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট য়াইস্কুল খ্বাইরাকপমনা প্রসিদেন্ট ওইগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

মাফ্রোনা মীৎয়েং চঙলগনি

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস)ঃ প্রাইভেট স্কুলশিংনা মহৈরোয়শিংদা স্কোলারশিপ পীবগী মিংদা মার্কৱাংনা লাকপা পোজিসন হোল্ডরশিং শেল চাউনা পীদুনা লৈবা অসি থিংবীয়ু হায়না মমাঙদসু গভর্ণমেন্টতা তকশিনখ্রবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা এক্সন লৌখৎলকপা লৈত্রি হায়না মণিপুর ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন (মাফ্রে) না ফোঙদোরক্লি।

মাফ্রোগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জেনরেল তোইজম সুরেশনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মাফ্রোনা লল্লোন-ইতিক তৌবগুম পংলিংদা লিংখৎলক্লিবা প্রাইভেট স্কুলশিং অসিনা তৌনিংবতা তৌদুনা লৈরিবা অসি থিংহৌদবা তারবদি মসিনা অচৌবা মাঙজবা অমা লাক্লগনি। প্রাইভেট স্কুলশিং অসিনা এদমিসন ফি/ট্যুসন ফি লৌনিংবা মওংদা ৱাংনা ৱাংনা লৌদুনা পোলিসী লৈতবগুম তৌরিবসি মণিপুর লৈঙাক্লা এদমিসন ফি অমদি মন্থলি ট্যুসন ফিগী চাং অমা অথুবদা লেপ্পীয়ু হায়রি।

স্কুল খরদা ক্লাস এলেবেনগী এদমিসন ফি অসি লুপা লিশিং ৫ দগী হৌরগা লুপা লিশিং ৫০ ফাওবা লৌরি। অদুবু কাউন্সীলদা কাগদবদি শুপ্নগী এনরোলমেন্টতা রেজিষ্ট্রেসন ফি লুপা ৪০০ মুক্তনি। থাগী ট্যুসন ফিসু লুপা ৫০০ দগী হৌরগা লুপা ১৮০০ ফাওবা লৌনবা য়াওরি। লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈবা মীওইশিং অমদি মচাশিং শেম্নিংবা মমা-মপাশিংদি অৱাবা মায়োক্নরি হায়রি।

গভর্ণমেন্ট স্কুলশিং অসিদা লোইনমক তমহনবা ঙম্বমক ওইদ্রিবা নৎত্রিবননিনা লৈঙাক অসিনা পোলিসী অমা পুথোক্তুনা পুম্নমক্লা য়ানবা য়াবা স্কুলগী এদমিসন ফি/ট্যুসন ফি লেপকদবনি হায়রি। গভর্ণমেন্টনা এক্সন লৌখৎলক্ত্রবদি মাফ্রোনা তুমীন্না য়েংদুনা লৈথোক্লোই। মণিপুর অসি লায়রবা ষ্টেট ওইবনা স্কুল ওথোরিটিনসু চান্নবা মওংদা এদমিসন ফি/ট্যুসন ফি লৌবীয়ু। মসিগী মতাংদা মাফ্রোনা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি হায়রি।

লমদম অসিগী প্রাইভেট স্কুলশিংগী মথক্তা মীৎয়েং চঙলগনি : কে এস এ

ইম্ফাল, জুন ০৮ (ঐচ এন এস)ঃ

প্রাইভেট স্কুলশিংদা থোং মান্নবা মহৈরোয় খুন্নাই অমা শেমগৎপগী ৱাখল্লোন্দা কে এস এনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংগী মখা চত্থরকপা ওইনা খুন্নাই অসিদা লৈরিবা প্রাইভেট স্কুলশিংনা মহৈরোয়শিংবু শেন্দাল লম্বী ওন্থোক্লবা হোৎনবদা লায়রবা মীওইশিংদা অচৌবা চৈথেং পীরিবা অসিগী মথক্তা মীৎয়েং চঙলগনি হায়না কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) না ফোঙদোরক্লি।

কে এস এগী জেনরেল সেক্রেটরি সেরাম হেমজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মমাঙদসু কে এস এনা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংনা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ব ইগজামিনেসনগী ফোর্ম ফিল্ডঅপকী শেনফম বোর্দ/কাউন্সীলনা লেপ্পদগী হেন্না পরম লান্না লৌরম্বগী মতাংদা খোঙজং চঙশিনবগা লোয়ননা মরী লৈনবা স্কুল ওথোরিটিগা ফম্মিন্নরবা মতুংদা হেন্না লৌরম্বা ফিশিং হন্দোকখিবা লৈরে।

হৌজিকসু নৌনা এদমিসন তৌনরকপগী তাঞ্জা লৌদুনা স্কুলগী ইনফ্রাষ্ট্রকর অমদি পীরিবা ফেসিলিটিগা চান্নদবা মওংদা কা হেন্না শেল লৌরিবা অমদি পোজিসনা লৌরকপা লোয়ননা মার্ক ৱাংনা ফংলকপা মহৈরোয়শিং শেল হেন্না পীদুনা লৈনবা হোৎনরকপদা অতোপ্পা মহৈরোয়শিংদগী চান্নদবা মওংদা ফি লৌশিন্দুনা শেল তানশিন্নবা হোৎনরকপা অসিনা লায়রবা মহৈরোয়শিংদা অচৌবা চৈথেং পীরি হায়রি।

রেগুলেসন অমগী মখাদা স্কুলশিং অসিবু রেজিষ্ট্রেসন তৌগদবা অদুসু লৈফম থোকপশিং লৈতনা ক্রাইটরিয়া শুদবা স্কুল কয়া পরম লান্না লৈহনবা অসিনা মথং মথং অকায়বা, অশোয়বা ওইরক্লবা লম্বী শেল্লি। অসিগুম্বা স্কুলশিং অসিগী ওইবা রেগুলেসন শেম্বগী মিংদা মমাঙগী লৈঙাক্লা কুমজা ২০১৭ গী জুলাইদা পুথোক্লম্বা দি মণিপুর প্রাইভেট স্কুল, (রেজিষ্ট্রেসন এন্দ রেগুলেসন) বিল ২০১৭ অসিবু এক্ট ওইনা ওন্থোকপগা লোয়ননা প্রাইভেট স্কুলশিং অসিনা অপাম্বা মওংদা স্কুল ফি লৌরিবা, তৌনিং-তৌনিংবা তৌরিবা অসি থিংনবা হোৎনগদবনি। মরী লৈনবা ওথোরিটি অমদি হিরম অসিদা লৈঙাক অসিনা লুম্না লৌবগা লোয়ননা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু। মদু নত্তদুনা প্রাইভেট স্কুলশিংনা তৌনিং-তৌনিংবা তৌবদা লৈঙাক অসিনা য়েংদুনা লৈরবদি এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট লৈবগী ৱাহন্থোক লৈতে হায়রি।

মরম অদুনা এদ্যুকেসনগা মরী লৈনবা লোয়শঙ লৈরি হায়বদু খঙনা থবক লৌখৎপীয়ু। মদু নত্তদুনা মতম মতমগী য়ান-য়ানবা চৎপগী হৈনবী থাদোক্ত্রবদি মরী লৈনবশিংগী মথক্তা মীয়ামগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

নিংথৌমনাই, চঙমদবীদা ওপরেসন চত্থখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৮, (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা য়াইরিপোক নিংথৌমনাই অমদি য়াইরিপোক চঙমদবী মথক শগোললৌ এরিয়াদা চপ চাবা পাউঅমা ফঙবদগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা থি-হুম্বা চত্থখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৪.৫০ রোম তাবদগী পুং ৭.৩০ ফাওবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী লুচিংবা এদিস্নেল এস পি এম কুমারজিৎনা লুচিংলগা চত্থখিবা ওপরেসন অদুদা পুন্না নুপা নুপী ৪৭৯ য়ুম য়ুমদগী কৌথোকখি। ওপরেসন অদুদা অহানবদা চিংনবা য়ুম অমদা চংদুনা থিরুবদা মী কনামত্তা লৈরমখিদে। মতুংদা অহল অমা থোরক্লগা ৱারী শানখি। পুলিসনা মফম অদুদগী মারুটি কার (দব্লিউ বি ২৬-৯২৮২) অমা, গাড়ী ড্রাইভরনচিংবা ফাখি। মহাক্কী মমীং এম দি ফিরোজ খান অপোকপা এম দি হেফা কৌই। মহাক মোরে ৱার্দ নম্বর ফাইভতা লৈবনি হায়রি। ওপরেসন অদুদা নুপা ২৮২ অদুগা নুপী ২৯৭ রোম ৱাহং পাউহং চত্থখি। মখোয়না লমগী পাট্টা অমত্তা পায়রমদে অদুবু আধার কার্দ অমমমদি পায়রম্মী হায়রি। মফম অদুদা মীফা মীপুনদি অমত্তা য়াওখিদে।

অমরোমদা, ঙরাং নুমিদাং পুং ৮ রোম তাবদা ইম্ফাল ইষ্ট নার্কোটিক সেল, নাকোর্টিক এন্দ এফেয়ের্স বোর্দর পুলিস য়াওবা টিম অমনা থম্বালখোং ক্ষেত্রিগাও লম্বীদগী দ্রগকা কোন্ননা মীওই অনী ফারে। ফারবা মীওই অনী অদুদি কোন্থৌজম ময়াই লৈকায়দগী ৱায়েনপাইবম জোনসন বোস (৩৩) অপোকপা কে বিরেন অমদি উরিপোক লাই খুরেম্বী লৈকায়দগী লাইময়ুম মুহিন্দ্রো শর্ম্মা (৩১) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল শান্তি শর্ম্মানি। মখোয়দগী এস পি কেপসুল ১৩৮, দব্লিয়ু ৱাই টেব্লেট তরুক ফাগৎখি। মদুগী মমলনা লুপা ৬০০০ রোমনি হায়রি। মখোয় অনীমক পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

STUDY MBBS/MD
IN ABROAD
[illegible]
BANGLADESH, CHINA, KAZAKHSTAN
KRYGYSTAN, PHILIPPINES, GEORGIA
SOUTH AMERICA, UKRAINE, RUSSIA
(PACKAGE STARTS FROM 12 LAC)
Eligibility : 2018 NEET Qualified Candidate Only
ADMISSION OPEN
REGULAR MEDICAL COURSE FOR NEET-2019
(Available Library Facility with Reading Room After Class Hour)
Class starts from 27th June 2018
Free seats for 450 above in NEET Exam. 2018 & PCB 80%
A.S. Education Trust Minuthong, Hatta Tellipati, Imphal
4th GATEWAY ABROAD INTERNATIONAL EDUCATION EXPO 2018
FREE ENTRY
at Nupi Lal Memorial Complex, Imphal, Manipur
On 23, 24, 25 June, 2018
PLZ Contact : Atawar Rahman, A.S. Education Trust
(JR INTERNATIONAL EDUCATION CONSULTANT)
Khergao Thambalkhong, Near Old Cambridge School,
Imphal East, Manipur
BRANCH OFFICE :
A.S. Education Trust
Minuthong, Hatta Tellipati, Imphal
Contact No. : 8974084294, 9615706900,8415930784,8794249895
HL-P/1549/6/6-6/7

ꯃꯤ ꯄꯥꯝꯖꯩ/MEE PAMJEI

LOVELY FINANCE কী **Poultry Section** গী ওইনা Broiler farm দা য়েন সেবা তৌনবা অথুবগী ওইনা মী পামজৈ। লৈফমগী খুদোংচাবসু পীজগনি। পান্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক নম্বরশিং অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি। অহানবা লাকপা মীওইদা হেন্না খুদোংচাবা পীজগনি।

Contact Nos.☎ 8794338008 / 7085988482 / 8837362010

HL-P/1593/9&10

[illegible]/অমাঙথোংদা মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, অমাঙথোংদা পোমথোক্লগা অমুক হনজিনখিবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, মতম খরা লৈরগা খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা পুকচেপ নাবা ফহনবগী ওজা এম ভি অজাদপু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা অহানবা নাবা মতমদা অমাঙথোংদা মরেং মরেং চৎলগা হাক্কৎচরকপা অদুগী মতুংদা খোঙ হাম্বা লিকপা, অমাঙথোংদা মচা অমা পোমথোক্লগা লৈরকপা, পোমথোক্লগা লৈবা অদু অমুক হনজিনখ্রগা নুমিৎ খরনিগী মতুংদা পোমথোরকপা, নোংমা খঙহৌদনা পোমথোক্লগা লৈবা অদু খঙচাও চাওথোরকপা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না নাবা অমদি চাম্বদসু থুপ্পা অমদি নাবা, ফন্বা ঙমদবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, হকচাংদা চোকথ ৱান্থবা, ঈ তাখিবা অদুনা মরম ওইদুনা মতম খরা লৈরগা খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নান্থবা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা পুকচেপ নাবা, পুক পীক থনগৎলগা লৈবা, চাবা থকপা য়াদবা, চাশিল্লগসু হকচাংদা মচি পোক্তবা, তাং তাং চিকপা, শিংলি নাওরি শোনবা, খ্বাঙ নাবা, ফন্বী শোনবা, ঙকশম মরি নাবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261/ 9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **এম ভি অজাদ ফুসম্বু** বু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar

থাগৎচরিবা : **KH. JAKYSON**
Kwakeithel

HL-P/1449/9

Our Mission: Producing POSITION Holders from non-Position Holders
DAS Delta Advance School
Kwakeithel Bazar, Imphal
A Co-Educational Higher Secondary
Govt. recognised & Affiliated to COHSEM
Admission Open for Class-XI
Science & Arts
Special Facilities for Meritorious Students
Direct Admitted Students (70 % & above)

89.4%
87.6%
80.1%
79.9%
79.8%
79.8%
79 %
78 %
73.8%
73%
73%
72.8%
72.6%
72.3%
72.3 %
72 %
70.1%
71.1%

CBSE Students are also Welcome
Many Attractive Facilities with Smart Class & Advance Lab;
Added advance Medical & Engineering classes
Direct Admission
No cut off marks; Admission at First come First
COME & SEE THE DIFFERENCE, FEEL THE DIFFERENCE
HL-B/4660/1-13June